

৪শুবা কেঐচ ইবুংঙোয়াইমা হোকি টুর্নামেন্টতা ৱাইএসি মায় পাকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ খুমুকচম (ওংবী) লিওনলী দেবী মেমোরিয়েল ত্রষ্ট খোয়াথোংনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর ভেটরান হোকি এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৩ দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুংঙোয়াইমা সিংহ মেমোরিয়েল মেন্স ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এ সি য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এ সি য়াইস্কুলনা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু গোল ৭–২ দা চাওনা মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর শান্নবা লোইরমদাইগী শরুক্তা ৱাই এ সি গী টিমগী মায়কৈদগী শান্নরোই আই খম্বানা ১২শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। ৱাই এ সি টিমগী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোলশিং অদু আই খম্বানা মখা তানা ২৫শুবা অমদি ৪২শুবা মিনিটশিংদা মথংশিংনা গোল পুন্না অহুম চনখি। এস জিতেননা ১৬শুবা, এল লোলেন্দ্রোনা ২৮শুবা, কেঐচ প্রিয়োকুমারনা ২৯শুবা অমদি ৱাই জয়েন্তানা ৩৪শুবা মিনিটশিংদা মথংশিংনা গোল অমমম চল্লগা ৱাই এ সি গী অপুনবা গোল মশিং ৭ শুহনখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায়থিবা নংখ্রবা হোকি য়ুনিয়ন টিমগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল অনি অদুনা পি বিশ্বাজিৎনা ২৭শুবা অমদি ঐচ রাইকুমারনা ৫৮শুবা মিনিটশিংদা মথংশিংনা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুদা হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগীসু শোত্খনা লৈরিবা গোলশিংদু হন্দোক্লবা য়াল্লা কন্না হোৎনরবসু মরাইবক লৈতবনা গোল অনিদগী হেন্না অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা ৱাই এ সি গী মখুৎতা গোল ৭–২ দা মায়থিবা নংহৌখিবনি।

মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা ৱাই এ সি য়াইস্কুলগী শান্নরোই আই খম্বানা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাদুনা কেশ প্রাইজ অমদি ত্রোফি পীদুনা পুক্নিং থৌগখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা নুপীগী অনিশুবা মেটচ ওইনা এলৱাইটিএনএম মন্ত্রিপুখ্রি অমদি পেট খুমন লম্পাক্কা অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা শান্নরগনি। লোয়ননা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা নুপাগী মেটচ ওইনা কোস্মো ৱাঙ্খৈ অমদি মৈরা বাশিখোংনা অনিশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ শান্নরগনি।

২শুবা সেনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এমএটিএ) গী লমজিং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইদিটিএ) অমদি এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র টেন্নিস প্লেয়র মণিপুর (এএসটিপিএম) গা পুন্না খুৎশন্নরগা ঙরাংদগী হৌদুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসনগী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী নুপা টেন্নিস শান্নরোই পুন্না ১০০ রোন্না শরুক য়াদুনা পাংথোক্লিবা ২শুবা মণিপুর সেনিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা কেঐচ ইন্দ্রকুমারনা চহি ৩৫ মথক্কী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা নুমিৎতা শান্নখিবা চহি ৩৫ মথক্কী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা কেঐচ ইন্দ্রকুমারনা টি তুলেশ্বরবু সেট ৭–৬, ৬–১ দা মায়থিবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মেন্স ৫৫ মথক্কী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ শান্নখিবদা এন দিলিপনা এল সরতপু সেট ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরগা টাইটল অদু লৌখি। মেন্স ১১০ প্লস কম্বাইন্দ দবলসকী ফাইনেল মেটচ শান্নখিবদা রঞ্জিৎ অমদি তোম্বা অনিগী জুরানা ইন্দ্রকুমার অমদি প্রকাশ অনিগী জুরাবু সেট ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা ৱার্ক মিনিষ্টর থোংঙাম বিশ্বাজিৎ সিংহনা চিফ গেষ্ট, এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র টেন্নিস প্লেয়র মণিপুর (এএসটিপিএম) গী প্রসিদেন্ট অমদি দিআইপিআর গী দাইরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ অনিনা গেষ্ট ওফ ওনর লোয়ননা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইদিটিএ) গী প্রসিদেন্ট কে রামকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর টি.চ বিশ্বাজিৎনা হায়, শান্ন–খোৎনবা অসি থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুরগী প্রজাশিংদা চেল্লিবা ঈ–তোংদা য়াওখ্রবা পোৎশক অমদি হৈ–শিংবা, হিরম খুদিংমক্তা তৌবা ঙম্বা মণিপুরগী মচাশিংনা শিংথানিংঙাই ওইদুনা লাক্লি। টেন্নিস মশান্না অসি হান্না মমাংঙৈদদি রিটয়ার্দ ওইরবশিংনা শান্নরম্বনি অদুবু হৌজিক্লা হেন্না ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা য়ান্না থৱায় য়াওনা পান্না শান্নরকপা অসি লাইবক ফবনি হায়না ফোংদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, গেম এন্দ স্পোর্টস অসিনা লমদম অসিগী ওইনসু মরুওইবা রিসোর্স অমনি। হৌজিক হৌজিক্তী স্পোর্টস অসিনা প্রোফেসনেল অমা ওইনা মায় পাক্লা চংশিল্লক্লি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা স্পোর্টস কম্পনিশিংদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোইশিং মশিং থীঙমদনা লৈবা ওল্লি। স্পোর্টসনা মতেং ওইরগা কনাগুম্বা ইমুং–মনুং অমগী থবক ফংদবগী সমস্যা খুদোংচাদবা লৈরিবা অসিদসু শান্ন–খোৎনবনা অচৌবা মতেং অমা পীরিবনি হায়না ফোংদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অখন্নবা মনা ওইনা ওল্ডেষ্ট টেন্নিস প্লেয়রগী এৱার্দনা থৌনাওজম ইন্দ্রকুমারনা ফংখি। তোংঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী অথোই অহেন চাংদন্নবদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংনা ক্বার্টর ফাইনেল, সেমি ফাইনেল চংবা ঙম্লকখিবা শান্নরোইশিংদা কেশ প্রাইজ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা ৱিন্নর অমদি রন্নর তাখ্রবা শান্নরোইশিংদসু ত্রোফি অমদি কেশ প্রাইজশিং পীদুনা ইকায়খুন্নবা অমদি পুক্নিং থৌগৎখি।

মণিপুরগী শান্নরোইশিং য়ুথ নেসনেল বোক্সিংগী সেমি ফাইনেল চংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বিএফআই) না শিন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী হৌদুনা উত্তরখান্দগী রুদ্রাপুরদা চথরিবা ৩শুবা য়ুথ নেসনেল মেন এন্দ ৱুমেন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরদগী শরুক য়ারিবা কাজেংঙানবা, বেবিরোজিসনা, সনামচা অমদি মেনাকা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ঙসি নুপাগী য়ুথ কেটাগোরিগী ওইনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী কাজেংঙানবানা ছতিসগ্রাহগী জাই সিংহগা শান্নখিবদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরগা এল কাজেংঙানবা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি। কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা এল কাজেংভানবানা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ছাতিসগ্রাহগী অকশে কুমারগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

পাংথোক্লিবা য়ুথ মেন এন্দ ৱুমেন নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অসিদা মণিপুরগী নুপা বোক্সরশিংগী কোচ ওইনা এল চিতরঞ্জন অমদি নুপী বোক্সরশিংগীনা এল রেদিয়ানা কোচ ওইনা লুচিংখিবনি।

সরিতাগী বোক্সিং একাদমিদা ফিল্ড ত্রিপ পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ আসাম রাইফলসনা মহৈরোইশিংবু সরিতা দেবী বোক্সিং একাদমিদা ফিল্ড ত্রিপ অমা পাংথোকখ্রে। আইজি এআর (সাউথ) কী লিচিং মখাদা নাইন সেক্তর আসাম রাইফলসগী তুলিহল বাট্টালিয়ন্না সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফালগী মহৈরোইশিংবু সরিতা দেবী বোক্সিং একাদমিদা এদুকেসনেল ফিল্ড ত্রিপ অমা পাংথোকখ্রে। ফিল্ড ত্রিপ অসি ময়াং ইম্ফাল কম্পনি ওপরেটিং বেজনা স্কুলগী মহৈরোইশিংবু ওভর ওল দিভপলমেন্টগীদমক্তা স্পোর্টসপু প্রমোট তৌনবগী পান্দমদা পাংথোকপনি। মহৈরোইশিংবু ফিল্ড ত্রিপ অদুগী শরুক ওইনা সরিতা দেবী বোক্সিং একাদমি খোঙচৎ পাংথোক্তুনা বেসিক বোক্সিংগী মরমদা ব্রিফিং তৌখি।

এআর না ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ঃ আইজিএআর (সাউথ) গী লিচিং মখাদা নাইন সেক্তর আসাম রাইফলসগী মন্ত্রিপুখ্রি অমদি থৌবাল বাট্টালিয়ন্না ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাংথোকখ্রে। শগোলমাং কম্পনি ওপরেটিং বেজ (সিওবি) না ওর্গনাইজ তৌবা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অদু সি ও বি লোকেসন্দা পাংথোকখিবনি। ভোল্লিবোল মেটচ অদু সি ও বি গী ত্রুপ অমদি পুখাও ৱাখোং ভিলেজ য়ুথ ক্লবকী মরক্তা শান্নবনি। সেকেন্দ মেটচ অদু থৌবাল বাট্টালিয়নগী থৌবাল সি ও বি না ওর্গনাইজ তৌবনি। মেটচ অদুনা সি ও বি গী ত্রুপ অমদি ওক্রম য়ুথ থৌবালগী মরক্তা শান্নখি। মেটচ অদু মরুওইনা এরিয়া অদুদা লৈরিবা য়ুথশিংগী মরক্তা কম্পিটিটিভ স্পিরিট য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাংথোকপনি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ থাগৎচরি

Sir Ashok Kumar

ঐগী অনাবা LUMBER SPINE (L4/L5/S1) দা শোকপা অসিবু ফহনবিবা অসিগীদমক অশোক কুমারবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অনাবসিনা মরম ওইরগা খোং য়েৎ থংবা শিথবা, শাংনা চৎপা ঙমদবা, কুইনা লেপ্পা ঙমদবা অমসুং হকচাংগী নোনথোক-নোনশিন ঙমদবা অসিনচিংবনি। ঐনা **Treatment Centre Ashok Kumar Health Care** বু পাউ চেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Treatment অসি Natural Treatment নী। অসুক ৱানা খাংলকপা অনাবা অসিবু শুপ্নতগী নুমিৎ তরামঙানিদা ফহনবিরে। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবিয়ু।

Treatment Centre :- ASHOK KUMAR HEALTH CARE PALACE COMPOUND, NEAR E.S.U. # 961298825, IMPHAL EAST.

Sd/- **Kamei Alonna**
Sawombung Khunjao

NT/77223/12(June)

ইংখোল য়োঙ্গরি

তেরাখোংশাংবি অৱাং লৈকাই W/No3 Village No. 91 দা Point 0.31 Patta No. 1493, Dag No. 1496/1719 গী ইংখোল অমা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরবদি নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। ইংখোল মপু Thingujam Biramangol, Kumbi Leirak Achouba.

য়োঙ্গরিবা,
Thingujam Biramangol # 8974041946

NT/77220/12

IN THE COURT OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref : Mutation Case No. : 302 of 2019

Ningthoujam Jina Devi S/o (L) N. Binoy Singh
of Wangoi Sandangkhong .....Petitioner
- Vrs -
(Late) Ningthoujam Binoy Singh S/o (L) N. Ango Singh
of Wangoi Sandangkhong ..... O.P.

NOTICE

Dated 11-06-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঙ্গরি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85-Wangoo পাট্টা নং 1410, দাগ নং 4262, এরিয়া 1.26 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্ট কারিশিংনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

NT/77225/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEINGANG IMPHAL EAST**

Mutation Case No. 730/SDC/Hng/IE/ of 2019

Waikhom (O) S. Mema Devi W/o (L) Waikhom Tejmani Singh of Achanbigei Makha Leikai . . .Petitioner
-Vrs-
(Late) Waikhom Tejmani Singh S/o (L) Rotonsana Singh of Kontha Khabam . . . O.P.Party

NOTICE

Dated. 11/6/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি :- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 4-Achanbigei দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 157 অনৌবা পাট্টা নং: 298 (New) গী দাগ নং: 342 এরিয়া 0.92 একর চাওবা Phourel Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C.Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C.Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

NT/77218/12(June)

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEINGANG IMPHAL EAST**

Mutation Case No. 731/SDC/Hng/IE/ of 2019

Chingakhom Bhorot Singh S/o (Late) Thagoi Singh of Kontha Khabam . . .Petitioner
-Vrs-
(Late) Chingakhom Thagoi Singh S/o (L) Agni Singh of Khabam . . . O.P.Party

NOTICE

Dated. 11/6/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঙ্গরি মদুদি :- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 4-Achanbigei দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 327 অনৌবা পাট্টা নং: 973/1172 গী দাগ নং: 944/1053 এরিয়া 0.64 একর চাওবা Phourel লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C.Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C.Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

NT/77218/12(June)

Study MBBS
in INDIA & ABROAD
** NEET Qualify Mandatory
CHINA | BANGLADESH | RUSSIA
KAZAKHSTAN | KYRGYZSTAN
UKRAINE | PHILIPPINES | ARMENIA
USA | CANADA | SOUTH AMERICA
World's Best Universities
International Standard Exposure
Low Course Fee. (starting From 15 -26 Lacs)
MCI recognised Universities
Highest MCI Passing Rate Institutes * Conditions Apply
Scholarship available from 8 Lacs.
Easy Installments.
Lowest /Medium Living Cost.
We provide free MCI COACHING during Study
Visit our website to get details of your favourite study destinations
www.forthwithglobal.com
FORTHWITH GLOBAL CONSULTING PVT. LTD.
The most trusted EDUCATION COMPANY in North East
1st Floor, 3 Star Palace, Kekrupat
Opp. June 18 Crematorium
North AOC, Imphal - 795001
9862 283 509 | 7005 574 690
CIN NO.: U80903MN2016PTC008455 (Under the Ministry of Corporate Affairs, Govt of India)

IRA GOLD SERVICE
a unit of Birla Emporium
Available Services:
* Gold Loan @ 0%
* Gold Mortgage @ 2% p.m.
* Gold Investment @ 5%p.m.
* Gold Buying & Selling
BIRLA EMPORIUM
Khurai Sajor Leikai, Oppo. Babu Hotel
Imphal East - 795010
Website : www.birlaemporium.co.in
Contact No: 8787591661 / 3852422123

ADMISSION IS GOING ON
Saraswati Institute of Management and Para Medical Science
Opp. To 6th IRB, MPTC Pangei, Pangei Road, Imphal East, Manipur
Courses Offered : 1. B.Sc. Forensic Science
(First time in North East and Manipur Our Institution is opening, limited seat)
2. B.Sc. (MLT, RIT, OT)
3. Diploma (MLT, RIT, OTT, Dialysis)
Eligibility : 10, 10+2 and Graduate
Application form available :- 10 a.m. - 4 p.m.
Pliz Contact :- 9856575163 / 9402233554
www.simpsimphal.com (Hostel Available Boys & Girls)
NT/ZB/19 to 19(May-Jun)

BYS
BYS-PMT
UAC
Palace Compound (Macha Leima School)
CONGRATS TO HSLC 2019 TOPPERS!!
2 Sophiya A.
4 Minerva H.
6 Abraham N.
7 W. Sanamatum
7 Jenifer M.
8 U. Adhitya
12 M. Nerich
15 Rehan Y.
18 Ashish Ch.
21 N. Roshila
22 Aribam Pooja
23 K. Jaya
24 W. Nirvash
24 M. Ranjan
24 Suchitra Kh.
24 Monalisa Y.
25 A. Indubabu
25 N. Ranibala
Maths-100 Sophiya A.
Maths-100 U. Adhitya
S.Sc. 100 Abraham N.
C.Sc. 100 A. Bikrant
FA - 100 Mayashwor
FA- 100 Tonia Y.
FA- 100 Sanamatum
ADMISSION OPEN
9856088990
8638188399
Class X (BOSEM): May 27 (4.30AM)
Class X (Social Science): June 09
Class X (BOSEM): June 20 (4.30PM)
Class XI & XII (COHSEM) FOUNDATION
NEET (UG) 2020 REGULAR: JUNE

Placements 2018-19
#Aviation Is Future
Career choice with The Best Opportunities
INTERNATIONAL AIR HOSTESS TRAINING
AIRPORT OPERATIONS TRAINING
BBA with Aviation
Be a part of India's leading & the most CONSISTENT AVIATION ACADEMY
BRADFORD
Bangalore • Mysore • Imphal
96% Placement Record
Upto Rs.50,000 Scholarship on Course Fees
#bradfordaviationacademy
FOR ADMISSIONS OR ENQUIRIES
+91 9402 8587 31 / 32
www.bradfordaviation.com
NT/Y/3 May to

MITASHI
OFFER OFFER OFFER
LED TV.
32" - ~~18990~~ - 10990 - 2 year Warranty
40" - ~~26990~~ - 17290 - 3 year Warranty
43" - ~~33990~~ - 24990 - 3 year Warranty
50" - ~~42990~~ - 32990 - 3 year Warranty
WASHING MACHINES:
6.8 kg. - ~~9930~~ - 7990 - 5 year Warranty
8.5 kg. - ~~14330~~ - 11590 - 5 year Warranty
9.8 kg. - ~~15990~~ - 11990 - 5 year Warranty
10.5 kg. Steal drum - ~~18990~~ - 14990 - 5 yr. Wty
REGRIGERATOR :
90 Ltrs. - ~~10290~~ - 8790 - 5 year Warranty
240 Ltrs. D/Door ~~21990~~ - 16990 - 5 year Warranty
A/C
1 tone - 30990 - 27990
5 tone - 40799 - 32000
Instolation Free (2500)
JAY ELECTRONICS
Opp. Yes Bank, Khoyathong Road
: 9774527194
NT/Y/1 to (April)

Owned, Edited & Published by KHOIROM LOYALAKPA & Printed by him at Linthoi Offset Printers, Keishampat, Airport Road, Imphal., Tele # 2449086, 2441446 Fax # 2440353, E-mail : thoudangdaily@gmail.com, n_thoudang@yahoo.com